
থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মায় পাকপগী পাদম




পুন্সিদা 'মায়-পাকপা' (সক্সেস) হায়বসিবু করিনো/নীংজবা অমা থুংবদুরা? নৎত্রগা, পামজবা অমা ফংবদুরা? কনাগুম্বা অমনা শেল্লম্বা ৱাশেম (অশেম্বা ৱাহৈ পরেং) অদুনা 'মায় পাকপা' অমদি 'মায়থীব' গী চপ-চাবা ৱাহন্থোক পীবা ঙম্লোই। অদুননি 'ৱিন্সটন চর্চিল'না হায়রল্লিবা ... 'সক্সেস ইজ নোট ফাইনেল...'। অদুবু মী খুদিংমক মায় পাক্লবা মী অমা ওইনীংই... জীপ, কারদা খোঙনেৎনবা, ফুরা-দলান-কোনুংগুম্বা য়ূমদা পোত্থাজবা, শেল-থুম-মীচং-শঙ্গ ৱাত্তবা, চীংগুম্না পৈবা মরল-মথুম-সনা লুপা ...। মান্নি, ইনাক খুনবা, ৱাত্ত-পাদবা মীশক অমা ওইবদুনি ঐখোয় অয়াম্বনা হন্নরিবা মায় পাকপগী ৱাহন্থোক। 'তশেংনা মায় পাক্লবা মী হায়বদুদি 'মসি করিনো' হায়বা ফাওবা খনবা শংজদবা মহাক্তুনি' হায়নবসু লৈ। অদুগা, মায় পাক্লবা মীশিংনা তৌখিবা থবকশিং অদুদি মায় পাকখিদবা মীশিংনা কৈদৌঙৈদা তৌনীংখিদবা থবকশিং অদুনি। মসিমসু হায়নবনি - মঙ মঙদবা মীদুদি কৈদৌঙৈদা মায় পাক্লরোইদবা মীশকনি ... মঙ হায়বসি মহাক্না তূল্লিঙৈ উবা শক্তমশিংদু নত্তে, নহাকপু তূম্বা য়াহন্দ্রিবা ফোঙদোকফম খঙদবা করিগুম্বা অমনি।

এ পি জে অব্দুল কলাম' গী ৱাহায়সি চুম্বা তাই। ঐবু তূম্বা য়াহন্দ্রিবা, ফোঙদোকফম খঙদবা, হায়ফম খঙদবা ৱা'সিদি ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। মদু শোয়দনা ওইরমগনি - ঐগী মঙফাওনখিদ্রবা মঙলানশিং, তৌগে খনবা তৌঙমখিদ্রবা থবকশিং। তৌগে নীংবা তৌহৌদবা থবকশিংদুনদি ঐবু মায় পাক্লবা মী অমগী মায় পাকপা মীনোক নোকপা ঙমহন্দ্রিবা। মদুমদি খঙই ঐ। অদুগা ৱিনষ্টন চর্চিল'না হায়রম্বা ৱা, অহৌবদা পঙ্খিবদুগী মখা তাবা ৱাহৈশিং ... '(মায় পাকপা/পাক্তবা মীকুপ্পুগী) মখা তাবা মীকুপশিংদুদসু থবক অদু মখা শমথহৌবগী থৌনা অদুনি মরু ওইরিবদি' হায়বা অদুসু কাউদে ঐ। থোমাস অলভা ইদিসন'না হঞ্জিন-হঞ্জিন হোৎনখিবা, মায় পাকখিদ্রবা মীকুপশিংদুনা মহাকপু নোংমতসু পূক্নিং হনজানহনখিদে। ৯৯৯ লক হোৎনবদা মায় পাকখিদবা, মায়থীবই মীকুপশিংদুনা মাবু নীংহন্নহল্লম্লবদি লীশিংলক শুবা হোৎনবদা 'ইলেকট্রিক বল্ব' পুথোকখিবই মীকুপ অদু লাক্লম্লোই। লৈখা তাবা মীকুপ অদুবু ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু মীরায়রোইদবনি... মীকুপ অদু 'পুন্সিগী খ্বাইদই ফবা মীকুপ্পুনি' খনবা মহাক্তুনি মায় পাকপই কৈরাক'তা পন্দোল লোম্লা কা'ঙমগদবা - লীদরশিপ গুরুশিংনা হায়। মরমদি, মহাক্কী মফমদদি মথক্তা কাবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী/মায়কৈ অমা লৈতে। মশাগী চহী ২৩শুবদগী লেপ্তুনা হোৎনরকপা, মায়থীবতা মশরুক ওইনা থুংখিবা 'অব্রাহম লিনকোন', মশাগী চহী ৫২ শুবদনি অমেরিকাগী প্রসিদেন্ট ওইনা মায় পাকখিবা।

খঙদে। ঙসিসি করিদইনো, মায় পাকপা অমদি মায়থীবা অনীসিগী মরমদা কোক মচা অসিদা উরু-রু-রু লৈশিন্দুনা লৈ ঐগী ৱাখল। ওইরম্বা য়াই - মায়থীবা হায়বদু নত্তনা মায় পাকপা মীকুপ অমত্তা ইশানা হকথেংনরকখিদবদুনা। খল্লকখিবনি - তাইবঙপানবসিদবু মায় পাকপা মী হায়বদুবু লৈবজ ৎলা? মী ওইনা পোকখিবা 'মীওইপোক' মরক অসিদা খ্বাইদগী চাউবা, খ্বাইদগী মপুম ফাবা, খ্বাইদই মায় পাকপা মীশক অমনি শীংথানরিবা, চুম্নগী মী নত্তবা 'অথোইবা থৱায়' (মহা + আত্মা)/মহাত্মা) অমনি হায়নরিবা গান্ধি মশানদি হায়জরম্মী - মহাক মায়থীরবা মীশক অমনি - 'পুন্সি চাংয়েংদা মায়থীরবা মীশক অমনি' হায়না মোংফমগী নূংবীদা ইবীয়ু।

অসুম্না ৱাখল মঙল মঙল খল্লুরগা, পুন্সিগী মায় পাকপা হায়বসি করিনো? করম হায়না শৈথাসিগে হায়বগী অনৌবা পাউদম অমত্তং তমনীংলক্তুনা কলম পায়খৎচরুবনি। খন্থবা য়াবা য়াওবরা - অমুক্তং নৈনমীন্নসি। ইমাগী শিয়োমনুংদগী তাইবঙসিদা ফাওরকপঙৈ কুমজা অমা ফারকপা, পলেম পন্থৌ ইথক থোংবা কয়ানা 'হৈনা' খোঙথাং তন্বীরকপা, পুন্সিগী অহানবা মায় পাকপনি - 'কনাগী মতেং য়াওদনা ইদোম চৎপা ঙল্লকপা'। অহাও-হাওতা/অঙ্গৈং-অশা খঙলকঙৈ/মিংগৌ থাগৌ হৈরকঙৈ, চহী মরি চঙলকপা 'ফমুংদা মপান থোকচিন্দবা ঙল্লকপা' - পুন্সিগী অনীশুবা মায় পাকপনি। চহী নিপান শুরকপা, ফৈনা-য়ুংনা-লমজাও-লমহাংদা চৎলুরগা 'ইয়ুমদা ইদোম হল্লকপা' - অদুসু মায় পাকপনি। চহী তরানিথোই, মরুপ মশক খঙলকপা ... চহী তরানিপাল, ড্রাইভিং লাইসেন্স পায়রকপা- ভোট থাদবা য়ারকপা... চহী কুনহুমদোই, য়ুনিভর্সিটি দিগ্রী পায়রকপা ... চহী কুনমঙা, শেন্দাল লম্বী ফংলকপা ... চহী কুন্থ্রা চঙলকপা, মশাগী ইমুং লিংলকপা - তোঙান তোঙানবা তাংকক্কী তোঙান তোঙানবা মায় পাকপা মীকুপশিংনি। চহী কুন্থ্রামঙা - শেল তানবা ঙমহৌদ্রবা, লম্বীদুদই নাথৈরবনি। চহী নিফুমঙা - নহা মান্নবা হোৎনবা, চহী য়াংখৈ - ইচাশিংবু মহৈ মশীন তমহনবা, য়াঙখৈমঙা - ইশাগী ইথৌ পাঙথোকচবা ঙল্লিবা, চহী হুম্ফু - ইশাগী ড্রাইভিং লাইসেন্স শীজিন্নবা ঙল্লিবা, চহী হুম্ফুমঙা - লায়না অমনা লাইচেন্দবা, চহী হুম্ফুতরা - অতোপ্পা কনাদা পুন্সি পোৎলুম ওইহন্দবা, চহী হুম্ফুতরামঙা - থায়নগী মরুপ মপাংশিংগা লোয়নজবা, চহী মরিফু-হান্নগুম ইশাগী য়ূমদা হনজনবা লম্বী খঙবা, মরিফুতরুক - ইশাগী ফি শেৎন-শেৎনা মপান থোকচিন্দবা, চহী মরিফুতরা - কনাগী মতেং য়াওদনা খোঙকাপ থাংবা ঙমজবা ... অদুবু কৌই পুন্সিগী অশেংবা মায় পাকপা। য়াবীনীংদবরা? লন-থুম, য়ূমলৈ কৈরৈনা লেপ্পা নত্তে পুন্সিগী মায় পাকপা।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# অঙাং ওইরিঙৈগী ট্রোমানা বোর্দরলাইন পার্সনেলিটি দিসওর্দরগী রিস্ক শরুক ১৩ হেনগৎহল্লি

নৌনা চথখিবা হান্না লৈরবা ষ্টদিশিংগী মেটা-এনালাইসিস অমনা বোর্দরলাইন পার্সনেলিটি দিসওর্দর (বি পি দি) নাবা মীওইশিং নাদবা মীওইশিংগা য়েংনবদা অঙাং ওইরিঙৈদা অৱাবা য়াম্না খাঙলকপা/খুদোং চাদবা থেংনরকপগী চাং হেনবগী রিপোর্ট লৈ হায়বা খঙখ্রে।

ষ্টদি অদুগী মতুংইন্না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনরকখিবা ট্রোমাগা বি পি দিগা লৈনবা মরীনা অতৈ মান্নবা সাইক্যাট্রিক কন্দিসনসিংগা লৈনবা মরীদগী হেন্না কল্লী হায়রি।

নেসনল ইনষ্টিটুট ওফ মেন্টেল হেল্থকী মতুংইন্না বি পি দি অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী পোপ্যুলেসনগী চাদা ১.৪ দা শোকহনবা লাইনা-লাইওং অমনি হায়রি। ইন্দিয়াগী ওইনসু খ্বাইদগী তোয়না থেংনবা পার্সনেলিটি দিসওর্দরশিংগী মনুংদা বি পি দি অসিসু অমা ওইরি।

বি পি দিগী অনাবা লৈবা মীওই অমনা মশাগী ইমোসন, সেল্ফ-পর্সেপ্সন, ৱাখলনচিংবা রেগ্যুলেট তৌবদা অৱাবা ওইবা য়াই।

নীংলকপদা ৱাখল খন্থদনা হেক্তা পাঙথোকপা অমদি চেকশিনদবা হায়রিবা হৈনবীশিং অসি বি পি দিগী য়াম্না কম্মন ওইবা মওং মতৌশিংনি, মসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মীওইশিংগা ষ্টেবল ওইবা মরী অমা শাগৎপা ঙমদে। বি পি দি নাবা মীওইশিং মশানা মশাবু অশোক-অপন নংহঞ্জবা অমদি সুইসাইদ তৌনিংবগী ৱাখল খনবা অসিসু য়াম্না কম্মন ওই।

লায়না অসিগী চপ চানা ফহনবা ঙম্বা লায়েং লৈত্রগসু সাইকোথেরাপি অমদি মুদ ষ্টেবিলাইজিং মেদিকেসন মখল খরা শীজিন্নবনা কান্নবা খরদি ফংই। বি পি দিগী সিম্পটোমশিং অসি মপুঙ মরৈ ফারকপা মতমদগী উৎথোরকপা হৌগল্লি, অদুগা নহা ওইরিঙৈ মতমদা লায়নাসিগী লাইওং পন্দোল লোম্লম্লগা চহী য়ামশিল্লকপগী মতুংইন্না খরা খরা ফগৎলকই।

বি পি দি অসি করিনা থোকহনবনো হায়বদি ঙসিফাওবা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অয়াম্বনা জিনেটিককী ওইবা মরম অমদি ইনভাইরনমেন্ট ইনফ্লুএন্সশিংনা লায়না অসি নাহনবগী মরুওইবা মরম ওইগল্লি।

অঙাং ওরিঙৈগী মতমদা ট্রোমা থেংনখিবগা বি পি দি নারকপগা মরী লৈনৈ হায়বা মমাঙদা চথখিবা ষ্টদিশিংদা খঙবা ঙমখ্রে। অকক্না এব্যুজ তৌবা, নাউয়োক নাউকোনবিদবা, য়াম্না কা হেন্না লাইবক থীবা, খৎন-চৈনবা নৎত্রগনা ইমুং মনুংগী নুংঙাইনদবা অসিনচিংবশিং থেংনরকখিবগা বি পি দি নাবগা মরী লৈনৈ হায়রি।

অদুমওইনমক এক্সত্রা সাইক্যাট্রিকা স্কেন্দিনাভিয়া জর্নেলদা ফোঙলকখিবা অনৌবা ষ্টদি অমনা হেন্না কূপথনা থিজিন্দুনা য়েংবদা রিছার্সরশিংনা হান্না থাজনরম্বা চাংদগী হেন্না অকনবা মরী লৈনবা থেংনখি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী দিভিজন ওফ সাইকোলোজি এন্দ মেন্টেল হেল্থকী ফিলিপ্পো ভারেসেনা লুচিংবা রিছার্সরশিংনা হান্নগী ষ্টদি ৯৭বু য়েংশিল্লম্মী।

ষ্টদিশিং অসিদা শরূক য়াখিবা পার্টিসিপেন্টশিং অদুগী মনুংদা বি পি দি নাবা পার্টিসিপেন্ট ১১,৩৬৬, সাইক্যাট্রিককী ওইবা অনাবা অমত্তা লৈতবা পার্টিসিপেন্ট ৩,৭৩২ অদুগা অতোপ্পা সাইক্যাট্রিককী অনাবা লৈবা পার্টিসিপেন্ট ১৩,১২৮ ওইখি।

ষ্টদি শিং অদুগী মনুংদা ষ্টদি ৪২ দা অঙাং ওইরিঙৈগী ট্রোমাগা বি পি দিগা লৈনবা মরীগী মতাংদা থিজিনবদা মথৌ তাবা ষ্টেটিষ্টিকেল ইনফোর্মেসন য়াওরম্মী।

রিছার্সরশিং অদুনা এনালাইস তৌবদা বি পি দি নাবা মীওইশিংনা নাদবা মীওইশিংদগী অঙাং ওইরিঙৈদা ট্রোমা থেংনখিবগী রিপোর্ট লৈবগী চাং শরুক ১৩.৯১ হেল্লি হায়না খঙবা ঙমখি। হায়রিবা চাং অসি ইপিদিমিওলোজিকেল অমদি রেট্রোস্পেক্টিব কোহোর্ট ষ্টদিশিংসু পূন্না য়েংবা মতমদদি খরা তাথরকপা থেংনখি।

মুদ দিসওর্দর, সাইকোসিস, অমদি অতৈ পার্সনেলিটি দিসওর্দরশিংসু য়াওনা অতোপ্পা সাইক্যাট্রিক কন্দিসনশিংগা য়েংনবদনা বি পি দি নাবা মীওইশিংনা অঙাং ওইরিঙৈদা ট্রোমা থেংনরকখিবগী চাং শরুক ৩.১৫ হেনবা থেংনখি।

বি পি দি নাবা মীওইশিংগী চাদা ৪৯.৯না অঙাং ওইরিঙৈদা ফিজিকেল নেগ্লেক্ট থেংনরকপগী রিপোর্ট লৈ, চাদা ৪২.৫না ইমোসনেল এব্যুজকী রিপোর্ট লৈ, চাদা ৩৬.৪ না ফিজিকেল এব্যুজকী রিপোর্ট লৈ, চাদা ৩২.১ না সেক্সুএল এব্যুজকী রিপোর্ট লৈ অদুগা চাদা ২৫.৩ না ইমোসনেল নেগ্লক্টকী রিপোর্ট লৈখি।

পূন্না য়েংবদা ষ্টদিশিং অদুদা শরূক য়াখিবা বি পি দি নাবা মীওইশিংগী চাদা ৭১ না মখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা য়ামদ্রবদা ট্রোমাটিক ইভেন্ট অমত্তং ওইরবসু থেংনৈ হায়খি।

ফিলিপ্পো ভারেসেনা হায়খি, অঙাং ওইরিঙৈগী ট্রোমাগা বি পি দিগা য়াম্না কনবা মরী অমা লৈবা থেংনরে, অকক্না ইমোসনেল এব্যুজ অমদি নেগ্লেক্ট থেংনরকপা ওইরগদি মরী অসি য়াম্না কল্লী।

অতোপ্পা কমপ্লেক্স ওইবা ফেক্টরশিংসু য়াওরম্বা য়ারি মরম অদুনা মখা তানা থিজিনবদি মথৌ তারি হায়নসু ফিলিপ্পো ভারেসেনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১০৭, লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৮গী মনা খূৎশিন্নখ্রে


রোনিকা রাজকুমারী (স্পোর্টস)


নীংশিংলেম্বী মৈত্রম (লিটরেরি)

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস): হুইয়েন লানপাউ পাউচে অসিনা লেপ্তুনা চথরক্লিবা হুইয়েন লানপাউগী স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১০৭কী ৱিন্নর ওইখ্রবী রোনিকা রাজকুমারী অমসুং লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৮গী ৱিন্নর ওইখ্রবী নিংশিলেম্বী মৈত্রমদা হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্সনা মনা খূৎশিন্নখ্রে।

সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা পাউচে অসিগী ওফিসতা পাঙথোকপা মনা খূৎশিন্নবগী থৌরমদা মনা পীদুনা ঈকায় খুম্নখ্রবা হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ১০৭কী ৱিন্নর ওইখ্রবী রোনিকা রাজকুমারী কোংপাল নাউরোইবম লৈকায়দগীনি। অপোকপগী মিংনা আর কে বিনোই কৌই।

রোনিকা রাজকুমারীনা ফোঙদোকখিবদা, হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা হাপ্লিবা ক্বিজ অসি অসুক্কী মতীক ফৈ হায়না খল্লী। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংতা নত্তনা লৈরিবা অহলশিংদসু কান্নবা পীগনি। মতুং তাবদসু ক্বিজ অসি য়াওখিগনি। লৈরিবা পাউচেশিংদগীসু হেন্না তোপ তোপ্পা ওইবা পাউচে অমনি হায়না লৌই হায়নসু ফোঙদোকখি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৮ কী ৱিন্নর ওইখ্রবী নিংশিংলেম্বী মৈত্রম, য়াইস্কুল জন্মষ্ঠান্দগীনি।

নিংশিংলেম্বী মৈত্রমনা ফোঙদোকখিবদা, হুইয়েন লানপাউ পাউচেনা লিটরেরি ক্বিজ হাপ্লকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। অসিগুম্বা ক্বিজ হাপ্লকপা অসিদা শরুক য়াবা ফংবসু নুংঙাই। হীরম অসিদা খঙবা হেনগৎপদসু মতেং ওইগনি। লাইরিক কয়া পাবগী তঙাইফদবসু লৈ। মসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# গেটৱে টু এসিয়াগী বিজিনেস সেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : দিপার্টমেন্ট ওফ টেক্সটাইল, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজনা ইন্দিয়ান চেম্বর ওফ কম্মর্সকা খূৎশম্নদুনা চহীসিগী নবেম্বর ২৬ তা হোটেল ক্লাসিকতা মণিপুর গেটৱে টু এসিয়া হায়বা হীরমদা বিজিনেস সেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

বিজিনেস সেসন অদুদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র, হোর্টিকলচর অমদি কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী ওফিসল কয়ানা পেপর পাথোকখি। ওল মণিপুর ওন্ট্রপ্রেন্যর এসোসিএসনগী মেম্বর অমদি সিজ হোস্পিটাল এন্দ রিছার্স ইনষ্টিট্যুসনগী মেনেজিং দিরেক্টরনসু পেপর পাথোকখি। টুরিজম দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা শোর্ট ভিদিও অমসু উৎখি। থৌরম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি সুহেল অখতার, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ) পি ৱাইফৈ অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়াগী এম্বেসেদরশিং অমদি হায় কম্মিস্নার কয়াসু শরুক য়াদুনা হীরম কয়াদা খন্ন-নৈনখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# দিসেম্বর ৩ দা ওইনামদা মাও কৈথেল ফম্লগনি, পোৎ-চৈ লৈবীয়ু: কম্মিটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০১ (ঐচ এন এস) : মাও ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি, ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি প্রোগ্রেসিব য়ুথ এসোসিএসননা খূৎশম্নদুনা শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দা ওইনাম কৈথেলদা মাও কৈথেল ফমগনি হায়না মাও ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিগী কনভিনর খুরাইজম অথৌবনা প্রেসদা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৫ দা মাও মীয়াম্বু নাগালেন্দদা পোৎ চৈ য়োনবদা সাউদর্ন অঙ্গামিনা অথিংবা পীবতা নত্তনা চৎথোক চৎশিন্দা অয়েৎ-অপন পীরকখি। মাও মীয়ামগী মনা মশিং য়োনফম লৈরক্তবনা হিংনবগী লানফমদা অচৌবা পোৎলুম ওইখি। লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন (ইপসা, পান্দম, অকোমলুপ, ইপাক, কংলামৈ, কে আই এল, সি এল কে অমদি কে এস এনা মাও মীয়ামগীদমক লেপ্পগা লোয়ননা ঐখোয় অমত্তনি হায়বগী মীৎয়েংদা চঙশিল্লকখি। ইমোসনেল ইন্টিগ্রিটি অমগা লোয়ননা ইকোনোমিক ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎমিন্নদুনা ইকোনোমিক ইন্টর্দিপেন্দন্সিগী মরী অমা শেমগৎমিন্নবগী ৱাখল্লোন অমদা মাওগী লৈহাওদা পুথোকপা পোৎলমশিং অদু ইম্ফালদা পুরক্তুনা য়োনবা হৌখি। মাও ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি শেমদুনা কম্মিটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা লেপ্পা লৈতনা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লমদমশিংদুগী ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংগা খূৎশম্নদুনা মাও কৈথেল চয়োল অমদা অনীরক হায়বদি লৈপাকপোকপা অমসুং ইরাই নুমিত্তা হাংদোক্তুনা লাকখি। মসিগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী অহুমদা মাও ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটি, ওইনাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি প্রোগ্রেসিব য়ুথ এসোসিএসন অহুম্না পূন্না খূৎশম্নদুনা শীন্দুনা ওইনাম কৈথেলদা মাও কৈথেল ফমগনি। থা অসিগী অহুমদা ওইনামদা ফমগদৌরিবা মাও কৈথেল অসিদা ইরৈচাশিংনা লাক্তুনা মাওগী মীয়ামবু তরাম্না ওকপিয়ু মাওগী পোত্থোকশিং অসি লৈবীয়ু। অপূনবগী শক্তম অমা শাগৎমিন্নবা মতেং পাংবিয়ু। মাওগী মফম কয়াদগী পুথোরকপা য়েঙ্গাং নাপী মখল কয়া অসি লৈমীন্নসি। কুমজা ২০১৫ দা মাও মীয়াম্বু নাগালেন্দদা পোৎ-চৈ য়োনবদা সাউদর্ন অঙ্গামিনা অথিংবা পীরকখিবা অদুগী মতুংদগী ইম্ফালদা মাও কৈথেল ফম্বা হৌরকখিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।



HL-B/5814/22-6dec.



HL-B/5749/17oct-16nov.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২।১২।২০১৯ ইং, নিংথৌকাবা,
পোইনুগী ৬ নি পানবা।

**মেষ :** মরুপকী মতেংনা অরুবা থবক ফাওবা লায়না পাংগনি, নরল চাওখৎকনি অমদি থাজদবা নুংঙাইবসু ফংগনি। ঙক কল্লবদি মীকোক থোংবা ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃষ :** ইমুং-মনুং ৱা তাননা পাংবা থবক খুদিং শোইদনা মায় পাক্কনি অমদি ইকায়খুম্নবা ফংগনি। অকিবা লৈতনা অচুম্বা পাম্বৈনা থৌপাংবা কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ঈংথবনা য়াইফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মিথুন :** অচুম্বতনা মায় পাক্কনি, লৌশিং চাউবা মী লোয়নবা থোইনা কান্নবা ওইগনি অমদি অনৌবা লৌশিং তানশিনবসু ঙমজগনি। ৱাঙাঙদি খরা চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - চিন য়াংগনু-মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** মায় পাক্কনি, ৱাখল লৈবনা খজিক্তং খন্থরদি শুংশোই শোইদনা অনৌবা থৌরম পুম্বা মায় পাক্লা পাংবা ঙমগনি। মীৱা লৌবনা ময়েং তাবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**সিংহ :** মীচং খোম্বা য়াবা অমদি অরোনবা পূক্নিংগী অপাম্বা ফোঙদোকপা ঙমজবা নুমিৎনি। নঙগী ওইবা মীনা চানবীগনি অদুবু মরুপ-মপাংগা শাওনদনবা তপথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** নকন্থিনা নরল মাঙহঞ্জৈ, ৱাঙাঙ অমদি পোরম য়াৎপা হৈতবনা অকিবা অমাঙবা থোকপা য়াবা লৈ-চেকশিল্লু। পূক্নিং ফাথৌ নত্রদি ফংবা য়াবসু মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনগনু-তপথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**তুলা :** খাংবা কনবা, থিবা হুম্বা হৈবনা অমদি মরুপ-মপাংগী মতেং ফংবনা ফংঙমদ্রবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। য়েক্নবনা পূক্নিং ৱাহনবা খরদি লৈগনি-পংথগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - মীতোপ থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** অঙম্বনা চানগনি-অদুনা ৱানোম ৱাচৎ কান্নগনি। মীতোপ্না অমদি হন্থবা মীনা তাথিবা খরদি লৈ-অরোনবা হায়দোক্নু। থাজদনা নক্নবনা মীনম্বীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** পাঙ্গল থৌনা ফুদোকপা থোইনা কান্নবা ওইগনি। অরং-অরাক ফংজবা য়াবা অমদি ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওবা নুমিৎনি। লাংচৎনরদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা মায় পাকচবা ওইরগনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুনু নত্রবদি লুনা থমজবা লন মাঙবা য়াই, শাগৈ মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - পূক্নিং পেঞ্জৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** মীৱা থাজগনু, অতোনবা লোয়নগনু অমদি হুরানবদগী চেকশিল্লু। নচাক-নরললদি অচুম্বগী মতেংনা হেন্না তানশিনবা ঙমগনি। অঙম্বনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - অথেংবদা নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**মিন :** নীংজবা থুংগনি, শেল ফংগনি, মীয়াম্না থাগৎপিগনি অমদি ৱাখল থোকপা নুমিৎনি। অদুবু মীকোক থোংবা ৱাই, শক-চু থোক্তে-নাপল তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।